লৈখিদ্রবা বোক্সর দিঙ্কোগী ইমুংদা গ্রান্ট ওইনা লুপা লাক্ষ ৬.৮৭ পীরগনি : সাই

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী লম্দা পুৰারী ওইখিবা ঙাঙোম দিঙ্কোগী ইমুং মনুংদা ৱান টাইম গ্রান্ট ওইনা লুপা লাক্ষ ৬.৮৭ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শুরকপদা ঙাঙোম দিঙ্কো লিভর কেন্সরনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী জুন থাদা মতম শাংনা লায়েংলবা মতুং লৈখিদবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৰারীদা কুমজা ১৯৯৭তা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা কিংস কপ বোক্সিং কপ্তা গোল্ড মেদল ফংলক্লবা মতুং চহী অদুমক্তদা বেঙ্কোকতা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমসতা মহাক্না উজবেকিস্টানগী বোক্সর টিমুরবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা মতম শাংনা ইন্দিয়ানা এসিয়ন গেমসকী বোক্সিংদা গোল্ড ফংলক্তবা অদু ফংবা ঙমদুনা অনৌবা পুৰারী অমা ইখিবনি।

ঙাঙোম দিঙ্কোনা এসিয়ান গেমসকী গোল্ড মেদল ফংলকপা চহী অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নবগী খ্বায়দগী থাক ৰাংবা মনা ওইখিবা অর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুন্নখি। লোয়ননা মহাকপু কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়াগী ওইনা সিভিলিয়ন এৱার্দতা মরীশুবা থাক্তা লৈরিবা পদ্মা শ্রী এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুন্নখি।

বোক্সর অমা ওইনা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবা দিঙ্কোনা মহাক্কী করিয়রদা ইন্দিয়ন নেভিগী মাষ্টর চীফ পেটি (ওফিসার ফাষ্ট ক্লাস)কী পোজিসনদা থবক তৌরমখি। মদুগী মতুং মহাক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মণিপুরদা লৈবা সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরদা বোক্সিংকী কোচ ওইনা থবক তৌরমখি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মহাক্না ইন্দিয়াগী বোক্সিংদা লৌরম্বা অচৌবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা লৈখিদ্রবা বোক্সর অসিগী ইমুং মনুংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাক্ষ ৬.৮৭ পীরগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি পাঙথোকখিবা ৫৫রকশুবা গভর্নিং বোদিগী মীফমদা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিংগী পর্ফোমেন্স য়েংলগা তোঙান-তোঙানবা মখোয়না পায়রম্বা ফমশিং অদুগী অহেনবা থাক পীদুনা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা মখাতাবা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা তম্নফম ওইনবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।

ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়নবু ফাইনেলদা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী চীংঙারেল সান্তিপুরদা লৈবা পোলোই অর্টিফিসল ফুটবোল গ্রাউন্দদা কে এস ঐচ চন্দ্রলেখা অমসুং ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা শান্নরকখিবা অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়ল চহী ১৮ মখাগী ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি চীংমৈরোংনা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু পাঞ্জল ৮-২দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৭তগী পূন্না টিম ১৩না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা লম্বা তৌনরকপনি। গ্রুপ এদা গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (জি দি সী) থিনুঙ্গৈ, ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) চীংমৈরোং অমসুং পাৎসোই মখা য়াইফ লূপ (পময়াল) পাৎসোই লৈখি। গ্রুপ বিদা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সী) পোরোম্পাৎ, অনাল খুনৌ য়ুঠ ক্লব (এ কে ৰাই সী) চান্দেল অমসুং সগাং য়ুঠ ক্লব (এস ৰাই সী) মোইরাং শরুক য়াখি।

গ্রুপ সীদা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (আর এ য়ু) লাইরিকয়েংবম লৈকাই, য়ুঠ ৰেলফ্যের য়ুনিয়ন (ৰাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীং অমসুং মোদর্ন ক্লব কবোৰাকচিং (এম সী কে) বিষ্ণুপুরনি। অদুগা গ্রুপ দিদা সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সী) সমুরৌ, ফুটবোল ক্লব লমজাও (এফ সী এল) ককচীং, ক্বাসিফাই য়ুঠ ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (কে ৰাই ভি ও) বিষ্ণুপুর অমসুং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৰাই ও এস সী) খুরাইনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ৭-০দা থোইখিবনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু পাঞ্জল ১০-১দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৬ ৰাই রোজিটনা পাঞ্জল ৪ চন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। মদুদা গোগোচা চুংখাম, গানিংঙম মলাংমৈ, ৰাই রোহিট অমদি ৰাই বন্তিনা পাঞ্জলশিং অদু চনখি। রাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা পাঞ্জল ৪ মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বা সী এফ এগী পি চরননা পাঞ্জল ১ হাপচিনখিবা অদুগী মতুং ২৭শুবা মিনটতা রাওগী মায়কৈদগী এন রাকেশনা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। মখা তারকপা রাওগী কুশল থাপানা পাঞ্জল ১ চল্লগা লৈরিঙৈ সী এফ এগী ৰাই রোহিটনা থংন-থংননা পাঞ্জল ৩ চনশিনখিবদগী ৮-২দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৰাই খেমচান্দ, অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমার অমসুং স্পোন্সর কে এস ঐচ ওংবী চন্দ্রলেখা অমদি ইমুং-মনুংশিং শরুক য়াখি।

অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়লগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ ফংখি। অদুগা রন্নর্স অপনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০ ফংখি।

মিনিষ্ট্রিনা স্পোর্টস সাইন্সতা অকনবা মীৎয়েং চঙগদৌরি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবা জপানন্না য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদি পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোমেন্স পুরকপা ঙমখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮গী ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক গেমসতা অহেনবা ফজবা পুরকপা ঙম্নবগী পান্দমদা মীৎয়েং চঙদুনা স্পোর্টস সাইন্স অমসুং পর্ফোমেন্স মেনেজমেন্টতা মায় ওনশিনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবা খোংথাং অসিগীদমক্তা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা টোকিও ওলিম্পিক অমসুং পেলিম্পিক গেমসতা পর্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিবা হোক্কি শান্নরোয় সবিতা পুনিয়া অমসুং রাণি রামপাল য়াওনা পেরা এথলিটশিংগী মনুংদা হায় জম্পর মারিয়াপন থাঙ্গভেলু অমদি সরদ কুমারসু মখোয় মখোয়না হান্না লৈরম্লিবা থাকশিং অদুদগী অহেনবা থাক্তা প্রোমোসন পীখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোরপোরেট কম্পনিশিংগা হান্না লৈনরিবা পার্টনর্শিপ অদু হেন্না চেৎশিন্নবগা লোয়ননা অনৌবা কয়াৎ কয়া হাপচিন্দুনা সি এস আর (কাউন্সিল ওফ রেস্পোন্সিবল স্পোর্টস)কী মতেংগা লোয়ননা অহেনবা শেলগী মতেংগা লোয়ননা অফবা শান্নরোয় কয়া মখাতানা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক থবক লৌখৎলক্লিবনি।

খোঙথাং অসিগী মখাদা হান্না লৈরম্লিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অমসুং টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়মগী স্কিমশিং অদুদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎকদৌরি। মসিগী মরী লৈননা স্পোর্টস সাইন্স অমসুং পর্ফোমেন্স মেনেজমেন্টতা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অহেনবা সাইন্টিফিক ষ্টাফ ৩০০, হায় পর্ফোমেন্স এনলাইসিষ্ট ১৩৮, হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ২৩, স্পোর্টস মেদিসিন দোক্টর ২৩, ফিজিওথেরাপিষ্ট ৯৩ অমদি মেসুর ১০৪ হাপচিনবগা লোয়ননা নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা অনৌবা হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ৫০গী অনৌবা পোষ্টসু হাপচিনগদৌরি।

ৰাফম অসি ঙসি ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ৫৫রকশুবা জেনরেল বোদি মীফমদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা আই ও এগী জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়াসু য়াওখি।

এসিয়নগী বোক্সিংদা গোল্ড ফংলকখ্রবা বিস্বমিত্রবু দেপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রোনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা এ এস বি সী এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী টিমনা পূন্না গোল্ড মেদল ৬, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ লৌদুনা ফজবা ঙমখিবা অদুদা মণিপুরগী বোক্সর চোংথাম বিস্বমিত্রনা কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি ময়াং ইম্ফাল বজারদা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী দেপ্যুটি স্পিকর ওইরিবা এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লিশিং ৫০গী শেলগী মনা পীদুনা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদু ঙসি একাদেমিক ইন্সেন্টিভ এৱার্দ কম্মিটি, সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমি, সোসল ইকনমিক দিভলপমেন্টে ওর্গনাইজেসন অমসুং ময়াং ইম্ফাল সোসল ৰেলফ্যের ক্লবনা পূন্না শীনখিবনি।

থৌরম অদুদা এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা চোংথাম বিস্বমিত্রবু হরাউ তরাম্না ওক্লদুনা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরবু মালেমদা শান্নরোয়শিংনা মশক তাক্লিবনি। ময়াং ইম্ফাল এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদগী অফবা শান্নরোয় কয়া থোক্লক্তুনা মণিপুরবু মিংচৎ পীবা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা পূন্সিদা মায় পাকপা ঙম্নবা অমদি ওলিম্পিক্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না মখা তাখি। এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু থমখি। এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা চোংথাম বিস্বমিত্রনা বোক্সিং মশান্নদা কন্না হোৎনদুনা কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী মমিং লৈরবা নুপীগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতানা মহাক্কী একাদেমিক অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপকী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা স্পেন থোইখ্রে

সোচি, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): রসিয়াগী সিটি সোচিদা চথরিবা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিমনা স্পেনবু থোইখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা পুল এগী অনীশুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা স্পেনগী অনা মাটনাদজেগা দ্রো চৎখি। মহাক্কী মতুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ভক্তি কুলকর্নিনা স্পেনগী মারিয়া ফ্লোরিশকা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি অমসুং মেরি আন গোম্সনা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোয় মাটা গার্সিয়া মার্টিনগসু মায় পাক্লবা ঙমদনা পোইন্ট য়েন্নখি।

অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবী নহা ওইরিবী আর ভৈসালিনা স্পেনগী শান্নরোয় গুইটেরেজবু সিসিলিয়ান ফোর নাইথস ভেরিএসন গেমদা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা মুভ ৪৭তা মায় পাকপদগী ইন্দিয়ানা স্পেনবু গ্রুপ এগী অনীশুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায় পাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা রসিয়াগী সিটি সোচিদা চথরিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপকী গ্রুপ এগী অহানবা রাউন্দদা অজরবৈজানগী টিমগা পোইন্ট ২-২দা দ্রো চৎখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি অহুমশুবা রাউন্দদা অর্মেনিয়াগা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনগদৌরি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা রসিয়াগী টিমনা পুল বিদা ফ্রান্সপু পোইন্ট ৩.৫-০.৫দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা পুল এগী অর্মেনিয়া অমসুং অজরবৈজাননা ২-২দা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি। রাউন্দ অনী লোইশিল্লকপদা রসিয়ানা পূন্না পোইন্ট ৭.৫ ফংলগা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। অর্মেনিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৪.৫/৪.৫ ফংদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা লৈরি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওইনা পুল এ অমসুং বিদগী মকোক থোংবা টিম মরিনা প্লে ওফকীদমক্তা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী টিমদা কোনেরু হম্পী য়াওদবদগী হরিকানা লুচিংলিবনি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইগদবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপতা ইরান য়াওনা পূন্না টিম ৫ ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মথং চহীগী জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইহান হানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ইরান, ইন্দোনেসিয়া, মমাংদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবা থাইলেন্দ, সাউথ কোরিয়া অমসুং ফিলিপিন্স ক্বালিফাই ওইখ্রে।

ঙরাং টাজিকিস্টানগী সিটি দুনাসবেদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ সীগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়ানা মকোক ওইদুনা ক্বালিফাই ওইরকপনি। অদুগা গ্রুপ জিদা ইরানগী টিমনা মকোক ওইরগা লৈবাক অদুগী ফুটবোল পুৰারীদা অহানবা ওইনা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

এসিয়াগী লৈবাক ১২না পূন্না লম্বা তৌমিন্নগদবা কন্টিনেন্ট অসিগী নুপীগী ফুটবোলদা খ্বাইদগী থাক ৰাংনা লৈরিবা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৭৯দা ইহান হান্না য়ুম্বু ওইখ্রবা মতুং হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুবা ওইনা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াদা লৈবা মুম্বাই সিটি, নাবি মুম্বাই অমসুং পুনেদা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ২০দগী ফেব্রুৱারী ৬ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা কুমজা ২০২৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা পূন্না য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী এসিয়ন ক্বালিফিকেসনগী অরোইবা ষ্টেজ অদু ওইগদৌরিবনি।

সাউথ কোরিয়ানা কুমজা ২০০৩দা এসিয়ন কপ অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা মতুং গ্রুপ ঈদা মকোক ওইদুনা লৈবাক অদুগী পুৰারীদা ১৩রকশুবা এসিয়ন কপ অসিগী শরুক য়াগদৌরিবনি। অমরোমদা ফিলিপিন্সনা গ্রুপ এফতা মকোক ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০রকশুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৮৩গী এদিসনদা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা থাইলেন্দনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী গ্রুপ ঐচকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা লৈবাক অদুগী ওইনা ১৭রকশুবা ওইনা টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াগদৌরি।

মরক অসিদা, গ্রুপ এ, বি অমসুং দিদগী ৱিন্নর ওইবা টিমশিং অদুগী মশক খঙদোক্লবা মতুংদা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ লোইগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবনা ক্বালিফাই ওইদুনা লৈরবনি। মমাংদা এসিয়াগী মকোক থোংবা টিম ওইরিবা জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনানা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ইকোন কোনবা এদিসন অদুদা চেম্পিয়ন, রন্নর্স অপ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী ক্বালিফাই ওইদুনা লৈরিবনি।

ৱর্ল্ড মুএথাইগী ইন্দিয়াগী ট্রায়লগীদমক মণিপুরদগী ৪ খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩দগী ১২ ফাওবা থাইলেন্দগী সিটি ফুকেটতা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুএথাই এসোসিএসন (আই এফ এম এ)না শীনবা ৱর্ল্ড মুএথাই চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২০২২দা শরুক য়ারুনবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা ওক্টোবর ২ অমসুং ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল সেলেক্সনগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় ৪ খল্লক্লে।

ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু য়ুনাইটেদ মুএথাই এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (য়ু এম এ আই) অমসুং দেল্লী মুএথাই এসোসিএসননা পূন্না খূৎশম্নরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর ষ্টেটতগী খনগৎলক্লবা শান্নরোয় ৪ অদুদি শমজেৎসাবম জিমস (ফেদর ৱেথ-কিলোগ্রাম ৫৪-৫৭), লাইশ্রম বিদ্যচন্দ্র (লাইট ৱেথ- কিলোগ্রাম ৫৭-৬০), সগোলশেম মোরাম্বা (লাইট ৱেল্টর-কিলোগ্রাম ৬০-৬৪) অমসুং অসেম তোন্দোনবা (ৱেল্টর-কিলোগ্রাম ৬৪-৬৭)নি।

ওল মণিপুর মুএথাই লভরস এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী য়ুনাইটেদ মুএথাই এসোসিএসন ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না য়ু এম এ আইগী সেক্রেটরি ইন-চার্জনা মখা তারি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা দেল্লী কেপিটেলসপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে

সর্জাহ, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা টি-২০ লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ টুর্নামেন্টকী ঙসি য়ু এ ঈগী সিটি সর্জাহদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪১শুবা মেটচ অদু কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা দেল্লী কেপিটেলসপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা দেল্লী কেপিটেলসনা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১২৭ লৌবা ঙমখি। দেল্লী কেপিটেলসকী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন সিখর ধৱন অমদি ষ্টিভেন স্মিথনা ইন্নিংস হৌরকখি। মখোয় অনীনা অহৌবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা শুপ্নগী ওভর ৫ লোইশিল্লকপদা রন ৩৫ লৌদুনা ফজখি। অদুবু ধৱন ৫শুবা ওভর অদুগী অরোইবা বোলদা রন ২৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা শ্রিয়াস আয়র শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি। রিশব পন্ট অমদি ষ্টিভেন স্মিথনা দেল্লী কেপিটেলসকী ইন্নিংস অদু রন ৭৭ ফাওবা পুখৎলকখি।

১৩শুবা ওভরদা স্মিথ রন ৩৯ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী দেল্লী কেপিটেলসকী স্কোর অদু মখা চথরকপদা নৌনা লাকখিবা হেটমর য়াদব রন অপূনবা অদু ৮৯ শুরকপদা আউট ওইখি। রিশব পন্টনা ইন্নিংস অদুগী অরোইবা ওভর ফাওবা শান্নবদা রন ৩৯ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর অদু ১২৭ য়ৌরকখিবনি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা মায় পাক্লনবা রন ১২৮ লৌনবা হোৎনরকপদা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা রন ১৩০ য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না দেল্লী কেপিটেলসপু ৱিকেট ৩দা থোইবা ঙমখি। কোলকাটাগী মায়কৈদগী গিলগী রন ৩০ অমসুং নিটিশ রানাগী রন ৩৬না মপূং ওইবা স্কোর ওইখি। ঙসি অথেংবদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং পঞ্জাব কিংস লম্বা তৌনগদৌরি।

বেলজিয়মগী কিম ক্লাইষ্টর চিকাগো ফোল টেন্নিস ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে

চিকাগো, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মমাংদা নুপীগী টেন্নিসকী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা নম্বর ৱান থাক ফাওবা য়ৌরম্লবী বেলজিয়মগী কিম ক্লাইষ্টর ঙরাং শান্নবা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন টুরগী মনুং চনবা চিকাগো ফোল টেন্নিস ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

কিম ক্লাইষ্টর হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা মখূউদা সর্জরি তৌখ্রবা মতুং চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা মতম শাংনা কম্পিটিটিভ টেন্নিসতগী লাপথোক্তুনা লাকখি।

ঙরাং নুমিদাংগী চিকাগো ফোল ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা কিম ক্লাইষ্টরনা চহী অসিগী অহৌবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবী চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় সৈ সু ৱৈগী মখূৎতা সেট ১-২দা মায়থীবা নংখি। পুং ২.১৮ চৎনা লম্বা তৌনখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা সেট চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় অদুনা ৬-৩দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদু বেলজিয়মগী কিম ক্লাইষ্টরনা ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় অদুনা কিম ক্লাইষ্টরগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবী অঙাং অহুমগী মমা কিম ক্লাইষ্টরনা মেটচ অদু মায়থীরবা মতুং ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মখূউ সর্জরি তৌখিবা অমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা অদুনা শান্নবদা অপনবা খরা লৈখি। কুমজা ২০০৫গী য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট অদুমক্কী কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১০দা টাইটল লৌবা ঙমখিবী অমদি ২০১১দা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিবী কিম ক্লাইষ্টরনা মহাক্কী মশান্না অদুদা অৱাৎপা কয়া লৈখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাকপু মায়থীবা পীরম্বী চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা ফোঙদোকখিবদা, কিম ক্লাইষ্টর অসি য়াম্না অফবা শান্নরোয় অমনি। চহী ১০গী মমাংদা মহাক্না থেংনরমদবা অদু লাইবক ফবনি হায়খি। সু ৱৈনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবী ৬শুবা সিদেদ ওন্স জেবোরগা লম্বা তৌনরগনি।

ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯃꯣꯇꯔꯁ

EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খুদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7056/28/8-3/10 (alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 243

Minic, Milan (2156) - Jicman, Ligia Letitia (2248)
MNT op 5th Sozina (9), 2004.02.26

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 Bb4
4.Qc2 O-O 5.a3 Bxc3+ 6.Qxc3 b6
7.Nf3 Bb7 8.e3 d6 9.Be2 Nbd7
10.b4 Ne4 11.Qc2 f5 12.O-O g5
13.Nd2 g4 14.f3 gxf3 15.Bxf3 Ndf6
16.Bb2 Qe7 17.Rac1 Nxd2 18.Qxd2 Be4
19.c5 Nd5 20.cxd6 cxd6 21.Bxe4 fxe4
22.Rxf8+ Rxf8 23.b5 Qg5 24.Re1 Nf6
25.a4 Ng4 26.Re2...

QUESTION :

Black to Win

Puzzle 242 Ans. :

26. ...exf2 27.Qh7+ The white queen decoys Black's king. Kxh7 28.Rgxg7+ Kh8 29.Rh7+ Kg8 30.Reg7# Blind swine mate

27. Qh7+ Kxh7 28.Rgxg7+ Kh8 29.Rh7+ Kg8 30.Reg7#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com